সুপ্রিম কোর্টনা সেন্টরদা মহারাষ্ট্রগী গভর্ণর অমসুং ফদনবিসনা পীরকপা চেরোলশিং থম্নবা খঙহনখ্রে

মুম্বাই, নবেম্বর ২৪ (এজেন্সি): ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী থাক ৰাংবা ৰায়েলশঙ ওইরিবা সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি সেন্টর লৈঙাক্তা মহারাষ্ট্রগী গভর্ণর ভগত সিংহ কোসিয়ারি অমসুং বি জে পিগী লুচিংবা দেবেন্দ্র ফদনবিসনা পীরকপা চেরোলশিং অদু হয়েং পুং ১০.৩০দা পুথোক্কদবনি হায়না খঙহনখ্রে।

মহারাষ্ট্র ষ্টেট লৈঙাক শেন্মবগী ইরাংদা নৌনা লাক্লিবা খোঙথাংশিংগী মনুং চন্না ঙসি অয়ুক অঙনবা পুং ৫.১৭ চৎপা মতমদা ষ্টেট অদুগী গভর্ণর ভগত সিংহ কোসিয়ারিনা ষ্টেট অদুদা থল্লকখিবা প্রসিদেন্ট রুল লৌথোকখিবগা লোয়ননা পুং ৮ তাবা মতমদা বি জে পিগী দেবেন্দ্র ফদনাবিস অমসুং এন সি পিগী অজিত পৱারবু মথং শীৎনা চীফ মিনিষ্টর অমসুং দিপ্যুতি চীফ মিনিষ্টরগী ৰাশক লৌহনখিবনি।

মমাঙদা সিব সেনা-এন সি পি- কোংগ্রেসকী অপুনবা এম এল এশিংনা ষ্টেট অদুগী লৈঙাক শেম্ননবা সেনাগী লুচিংবা উধব থাকরেনা চীফ মিনিষ্টর ওইবগী অয়াবা লৈরে হায়না পাউ ফোঙদোক্লরকখিবা অদুগী মতুং পুং ২৪ ফাদ্রিঙৈদা ষ্টেট অদুদা লৈরম্বা প্রসিদেন্ট রুল অদু লৌথোক্লে। অদুগা বি জে পিগী হান্না ষ্টেট অদুগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা দেবেন্দ্র ফদনাবিসপু অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ওইহনবতা নত্তনা এন সি পিগী অজিৎ পৱারবু দিপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর ওইহনখিবগী থৌদোক অদুদা ঙসি সুপ্রিম কোর্টতা চেলাক্তুনা চয়েৎনবা পুরকখি।

য়াম্না তাংনা থোকপা থৌদোক ওইনা ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা সুপ্রিম কোর্টতা সিব সেনাগী মায়কৈদগী সিনিয়র এদভোকেট কপিল সিবল অমদি এন সি পি অমসুং কোংগ্রেসকী মায়কৈদগী এদভোকেট এ এম সিংভিনা ফোঙদোকখিবদা মহারাষ্ট্রদা লৈরম্বা প্রসিদেন্টস রুল অয়ুক অঙনবদা হাথু-হাথু লৌথোকখ্রবা মতুং পুং ৮ তারকপা মতমদা চীফ মিনিষ্টর অমসুং দেপ্যুতি চীফ মিনিষ্টরগী ৰাশক লৌখিবা অদু দেম্মোক্রেসিবু খোঙ্গোইনবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

মরক অসিদা এন সি পিগী লুচিংবা সরত পৱারনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী মচা থোকপা অজিত পৱারনা ষ্টেট অদুগী দিপ্যুতি সি এমগী ৰাশক লৌখিবা অসি পার্টি অদুদা চয়েৎনবা পুহল্লকপগী খোঙথাংনি। এন সি পিনা বি জে পিগা পুনশিন্নবা লৈতে হায়না ঙসি অথেংবদা পৱারনা ফোঙদোরক্লি।

এন সি পিনা সিব সেনা অমসুং কোংগ্রেসকা পুনশিন্নদুনা ষ্টেট অদুদা লৈঙাক শেম্ননবা শেম শাদুনা লৈখিবনি। সুপ্রিম কোর্টনা হয়েং সেন্টর লৈঙাক্তা মহারাষ্ট্রগী গভর্ণর কোসিয়ারিদা দেবেন্দ্রে ফদনাবিস অমসুং বি জে পিদা লৈঙাক শেম্মু হায়না পীখিবা ইনভাইটেসন অদুগী চেরোল পুথোক্কদবনি হায়রি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফিট ইন্দিয়া স্কুল গ্রেদিং সিষ্টেম লৈবাক অসিদা অহানবা ওইনা হৌদোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২৪ (এজেন্সি): ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি লৈবাক অসিদা অহানবা ওইনা তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈরিবা স্কুলশিংদা ফিট ইন্দিয়া স্কুল গ্রেদিং সিষ্টেম হৌদোকখ্রে।

লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদা লৈরিবা স্কুলশিংদা অহানবা খোঙথাং ওইনা ফিট ইন্দিয়া স্কুল গ্রেদিং সিষ্টেম অসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মহাক্কী তোপ তোপ্পা 'মন কী বাত'কী ৱারোল ফোঙদোকপদা য়াওখি। ফিট ইন্দিয়া স্কুল গ্রেদিং সিষ্টেমগী মখাদা লৈবাক শীনবা থুংনা লৈরিবা স্কুলশিংদা তম্লিবা মহৈরোইশিং অমদি তাকপী তম্বীরিবা ওজাশিং লোয়ননা ফিটনেসকী থবক থৌরমশিং অদুদা পীরিবা খুদোংচাবশিং অদুগী ফিভম য়েংলগা গ্রেদিং শেমগদৌরিবনি।

ফিট ইন্দিয়া স্কুল রেঙ্কিং (গ্রেদিং) অসিগী মতুং ইন্না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা পায়খৎলকপা মহৈরোইশিং অমদি মখোয়না তম্লীবা স্কুলশিংগী ওজা অমদি স্কুলদা পীরিবা খুদোংচাবশিং অদু য়েংলগা তাঙ্কক অহুম থোক্না খাইদোক্লি।

গ্রেদিং অসি ফংবা ঙম্বা স্কুলশিং অদুনা ফিট ইন্দিয়া লোগো অমসুং ফিরাল শীজিন্নবা য়াহনগদৌরি। হিরম অসিগী মতাংদা স্কুলশিং অসিনা ফিট ইন্দিয়া স্কুল গ্রেদিং সিষ্টেমদা লৈরে হায়বদু খঙদোক্লবা মতুং ফিট ইন্দিয়া পোর্টেলদা চঙদুনা মখোয় মখোয়গী স্কুলশিং অদুদা লৈরিবা খুদোংচাবশিং অদু য়েংলগা কেটেগোরি অহুম অদুগী মনুং চনবা ঙমব্রা হায়বদু য়েংবা য়াগনি হায়খি।

লৈবাক অসিগী য়ুম্মুরেল ওইগদৌরিবা স্কুলশিংদা তম্লিবা চহী হৌরিবা মহৈরোইশিং ফংলিবা খুদোংচাবশিং অদু মতমগা চুনব্রা নত্রগা ৰাৎলিব্রা খঙদোক্লবগীদমক্তা ফিট ইন্দিয়া স্কুল গ্রেদিং সিষ্টেম অসি হৌদোকপনি। সিষ্টেম অসিনা লৈবাক শীনবা থুংদা অচৌবা খোঙজং অমগা লোয়ননা চঙশিনমিন্নদুনা হান্না খঙলমদবা মফমশিং অদু খঙদোকম্লিদুনা অফবা ইন্দিয়া অমা পুরক্লবা হোৎনমিন্নসি হায়বগী ৰাখল্লোল অদু মোদিনা মহাক্কী মন কী বাতকী ৱারোলদা মরিক চুম্না ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ৭০ শুবা কন্সটিট্যুসন দে থা অসিগী ২৬তা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগা মরী লৈননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নুমিৎ অদু লৈবাক শীনবা থুংদা পালন তৌবগা লোয়ননা অখন্নবা থৌরম অমা পার্লিয়ামেন্টতা পাঙথোক্কনি হায়না মহাক্কী মন কী বাতগী ৱারোলদা ফোঙদোকখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী কন্সটিট্যুয়েন্সি এসেমব্লীদা থবক থৌরমশিং পায়রম্বা মেম্বরশিংগী থৌদাংশিং অদু নীংশিংবা ওইনা অমদি মদুগী লৌশিং কয়া অদু মখা তানা শীজিন্নবগী তঙাইফদবা অদু ফোঙদোক্কদৌরিবনি।

শাফু অমত্তনা অযোধ্যাদা রাম টেম্পল শাবদা থিংবা ঙল্লোই হায়না ইন্দিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা ফোঙদোকখ্রে

পান্দু, নবেম্বর ২৪ (এজেন্সি): ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা ঙসি ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমদা সুপ্রিম কোর্টনা ৱায়েল পীখ্রবা অযোধ্যাদা হিন্দু টেম্পল অমা শাবদা অতোপ্পা শাফু অমত্তনা থিংবা ঙল্লোই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রাজনাথনা ঝরখন্দগী পান্দু সিটিদা ষ্টেট অদুদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লী মীখলদা বি জে পিগী ভোট খোন্সবগী রেল্লি অমদা ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না 'জয় শ্রী রাম' হায়বা স্লোগান লাউখিবগা লোয়ননা উট্টর প্রদেশকী অযোধ্যাদা রাম টেম্পল শাবদা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা শাফু অমত্তনা অয়েৎপা পীবা ঙল্লোই হায়না ফোঙদোকখি।

ঝরখন্দগী বিস্রামপুর এসেমব্লী কন্সটিট্যুসনগী মীখলগী ভোট খোন্সা ওইনা পাঙথোকখিবা রেল্লিদা রাজনাথনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা নরেন্দ্র মোদি লৈঙাক্কী মখাদা লৈবাক অসিগী দিফেন্সকী ওইবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলকপগী মনুং চন্না ফ্রান্সতগী লৈখিবা রাফেল জেট ফাইটরশিং শীজিন্নদুনা য়ুমলোন্নবা লৈবাকশিংদা লৈরিবা টেররশিংগী কেম্পশিং থুগাইনবা পায়খৎপা হৌরে হায়খি।

মহাক্না রেল্লি অদুদা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকখিবা অদুগী মতাংদা কুমজা ১৯৫২দা বি জে পিগী মাংওইননা লৈরম্বা ভারতিয়া জনশঙ্গ হৌদোকখিবা ডা. শ্যাম প্রসাদ মুখ্রজিনা হায়খিবা 'লৈবাক অসিদা কন্সটিট্যুসন ২, প্রাইম মিনিষ্টর ২ অমসুং ফিরাল ২ লৈবা য়ারোই' হায়না থম্লম্বা ৱারোল অদু নীংশিংদুনা কাশ্মিরগী থৌদোক অদু থবক ওইনা পায়খৎখিবনি হায়খি।

ঝরখন্দদা এসেমব্লী মীখল অদু তাঙ্কক মঙা থোক্কা থা অসিগী ৩০দগী হৌরগা মীখল পাঙথোকপদা রাজ নাথনা বি জে পিগী ভোট খোঙবা লাকখিবনি।

অযোধ্যা কেসকী মতাংদা পীখৎলকপা রিভ্যু পিটিসননা হিন্দু-মুস্লিম য়ুনিটিদা শোক্লকপা য়াই ঃ ঘায়োরুল হাসন রিজবি

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২৪ (এজেন্সি): ইন্দিয়া লৈঙাক্কী খ্বাইদগী থাক ৰাংবা ৰায়েলশঙ ওইরিবা সুপ্রিম কোর্টনা থা অসিগী ৯দা উট্টর প্রদেশকী অযোধ্যাদা চয়েৎনবা লৈরিবা রাম জন্মভুমি-বাব্রি মসজিদকী মতাংদা ৱারেপ পীদুনা মফম অদুদা হিন্দু টেম্পল অমা শাবা অদুগা মুস্লিমগী সুনি ৱাফ বোর্দতা মোক্স শাননবা সেন্টরনা একর ৫গী লম পীগদবনি হায়খিবা অদুগী মায়োক্তা রিভ্যু পিটিসন অমা থারকপা অসিনা হিন্দু অমসুং মুস্লিমগী অপুনবগী শক্তমদা শোক্লকপা য়াই হায়না নেসনল কম্মিসন ফোর মাইনোরিটিগী চেয়ারপার্সন ঘায়োরুল হাসন রিজবিনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

কম্মিসন অদুগী চেয়ারপার্সন ওইরিবা হাসন রিজবিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা সুপ্রিম কোর্টকী ওর্দর অদুবু চেলেঞ্জ তৌদুনা রিভ্যু পিটিসন অমা থারকপনা হিন্দুশিংগী মায়োক্তা রাম টেম্পল শাবগী খোঙথাং লাক্লিবা অদুদা অপনবা পীরকপগী পাউজেল অমা পীবা ওইনা থোক্কনি হায়খি।

মহাক্না মুস্লিমশিংগী ওইবা সুনি ৱাফ বোর্দতা সুপ্রিম কোর্টনা পীখিবা ওর্দরদা মোক্স অমা শাননবা একর ৫গী লম পীবা অদু য়াশিন্নবা হোৎনবা মথৌ তাই হায়খি।

নেসনল কম্মিসন ফোর মাইনোরিটিজগী চেয়ারপার্সন হাসন রিজবিনা মুস্লিমশিংদা অযোধ্যাদা হিন্দু টেম্পল শাবগী থবক থৌরমশিংদা মতেং পাংশিনগদবনি। অদুগা হিন্দুশিংনসু লৈঙাক্না পীগদৌরিবা একর ৫গী লম অদুদা মোক্স শাবদা মতেং পীগদবনি হায়খি।

[illegible] ADMISSION OPEN [illegible]

ENGLISH & RHYMES COURSES

CLASS X ENGLISH (BOSEM)   EXAM ORIENTED COURSE

- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE

[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]

SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)

Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal

Contact No. ☎ 8974642764

.HL-B/4529/25oct.to23nov

ছটিসগরদা চিট ফন্দ কম্পেনিনা শোকহনখিবা দিপোজিটরশিং লুপা লাখ ২.৮ ফঙখ্রে

রাইপুর, নবেম্বর ২৪ (এজেন্সি): ছটিসগরগী বিলাসপুর দিষ্ট্রিক্টতা পোঞ্জি স্কিমগী মখাদা চিট ফন্দ কম্পেনিনা শেল মৎপীরুরবা দিপোজিটর ৪৬৮তা মখোয়না থমখিবা শেলশিং অদু পীথোক্তুনা পুন্না লুপা লাখ ২.৮ ফংখ্রে।

ছটিসগরগী চীফ মিনিষ্টর ভুপেস বাঘেলগী মায়কৈদগী লৌখৎলকপা খোঙথাংশিংগী মনুং চন্না হৌখিবা চহী ৫ অদুদা চিট ফন্দ কম্পেনিশিংনা দিপোজিটর কয়াদগী শেল লৌশিন্দুনা অমদি মখোয়গী সেলেপ অমদি শেন্দোই পীদনা লাকখিবগী কেস অদু কুপ্পা থিজিল্লবা মতুং দিপোজিটর ৪৬৮দা মখোয়না থমখিবা শেলশিং অদুগী অপুনবা ওইনা লুপা লাখ ২.৮ ফংহনখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি।

লৈঙাক অদুনা মখা তানা অতোপ্পা চিট ফন্দ কম্পেনিশিংনা শেল মাংহনখিবা কেস ৪০৩গী মতাংদসু কুপ্পা থিজিল্লি হায়খি। কেসশিং অদু 'প্রাইজ চিট এন্দ মনি ওপরেটিং স্কিম রেষ্ট্রিক্সন এক্ট ১৯৭৮'গী মনুং চনবা প্রোটেক্সন ওফ ইনটরেষ্ট ওফ ছটিসগর দিপোজিটর্স এক্স ২০০৫গী মখাদা অপুনবা কেস ৪০৩গী মনুংদা কেস ২৪৮তি য়াওরি। মদুগী মখা তাবা অতোপ্পা কেস ৯০ অমনা ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী তোঙান-তোঙানবা সেক্সনগী মখাদা য়াওরি। অরানবা থবক থৌরমদা কম্পেনিগী দিরেক্টর ৭১৪, ওফিস বিয়ররশিং অমসুং এজেন্টশিং ফাগৎপা ঙমখ্রে হায়রি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্না এন দি এফ বি বোদো লুপ্তা থম্বা অথিংবা শাংদোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২৪ (এজেন্সি): অসামদা বেজ তৌবা বোদো লালহৌলূপ অমা ওইরিবা নেসনল দিম্মোক্রেটিক ফ্রন্ট ওফ বোদোলেন্দ (এন দি এফ বি)কী মথক্তা সেন্টর লৈঙাক্না চহী ৫ মখা তানা অথিংবা থমখ্রে।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী হোম মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী থোরকপা নোটিফিকেসনগী মতুং ইন্না এন দি এফ বিনা তোঙান-তোঙানবা লৈঙাক কায়বা য়াবা থবক থৌরমশিংগী মনুং চন্না মী হাৎপা, ঈরাং থোকহনবা অমদি এন্টি ইন্দিয়া ওইবা লুপশিংগা চুংশিন্নরগা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিং অদুনা মরম ওইরগা লুপ অসিবু ইন্দিয়া লৈঙাক্না লৈবাক্কী মায়োক্তা লৈবা লুপ অমনি হায়না লৌবগা লোয়ননা মমাঙদা থম্লম্বা অথিংবা অদু মখা তানা চহী ৫গী অথিংবা থল্লে হায়না ফোঙদোরকখি।

এন দি এফ বিনা তোঙানবা বোদোলেন্দ অমা তান্দুনা অসাম ষ্টেট খক্তা নত্তনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়োক্তা লাল হৌদুনা লাক্লিবনি। সেন্টর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অনলোফুল এক্টিভিটিষ্ট (প্রিভেন্সন) এক্ট, ১৯৬৭ (১৯৬৭গী ৩৭)গী সেক্সন ৩শুবগী সব সেক্সন (১)দা পীরিবা পৱারনা এন দি এফ বি লুপ অসিগা লোয়ননা শম্নবা অতোপ্পা লুপ অমদি ওর্গনাইজেসনশিংগী মথক্তা হান্না থল্লম্বা অথিংবা অদুগী মথক্তা মখা তানা চহী ৫ অথিংবা শাংদোকখিবনি।

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ইচানুপা লাইশ্রম সুধাকরবু হন্না হন্না থাগৎচরি

সুধাকর

ঐগী ওই থংবা কিদনিদা এম এম ৪ মুক চাউবা নূং অমা লৈবদু খম্নাম লৈরক ইম্ফাল, আই টি আই মনাক্তা লৈবা নূং তাহনবদা মমিং লৈরবা ওজা লাইশ্রম নবকিশোরগী মচানুপা লাইশ্রম সুধাকরগা তানজরবা মতুং চয়োল অনী হীদাক চারবা মতুংদা ঐগী নূং অদু তাহনবীখ্রে। অঙকপা লায়েংনি। মতম খুদিংমক্তা লায়েং অসিবু ঈশ্বরনা থৌজাল পীবিদুনা মতম শাংনা মীয়ামগী সেবা তৌবা ওইহনবীয়ু।

Sd/- Sorokhaibam Shyama Devi
Uripok Polem Leikai, Imphal West, Manipur

HL-P/5301/25

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/নপ মহি তাবা, নাই তাবা, নাতোন মখুল নামা ফুনবা, নাতোন্দা শ্বর হোনবা ৱাবা, য়ারোমদা হোনবা, লোক তোয়না থুংবা, লোক কংখু খুবা, নাতোন্দা মরেং মরেং চৎলগা হাকৎচবা, কোক চিকপা অমদি ঙাওবা, ইংবা অমদি উফুল মরক্তা চৎপা য়াদবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা সাইনসনা য়াম্না কন্না নাদুনা নপ মহি তাবা, নাতোন্দা মরেং-মরেং চৎলগা হাকৎচবা, নাহি তাখিবা অদুনা কোক ঙাওবা, কোক তোয়না চিকপা, নাতোন মখুল নাবা ফহনবা, নাতোন্তা শ্বর হোনবা য়াদবা য়ারোমদা হোনবা, লোক তোয়না থুংবা, লোক কংখু খুবা, নাতোন মনুংদা চাথৎপা, মনম থোইনা খঙবা ঙমদবা, ঈংবা চাবা য়াদবা, উফুল মরক্তা চৎপা য়াদবা, হকচাংদা ঈংখৎপা য়াদবা, মিৎপান নাবা, ঙকশম মরী নাবা, হৈ চাবা য়াদবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট এন্দ নেসনল এৱার্দ ফংলবা **MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 9774274439, 8414825323** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু পাউচেগী থোঙদা হন্না-হন্না থাগৎচরি।

লায়েংফম :
1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-P/5344/25
থাগৎচরিবা : **Y. Sunil,** Sagolband

[illegible]/ লোক খুবা, শ্বর হোনবা ৱাবা, শ্বর হোনবদা গের-গের লাওনা মখোল থোকপা, থবাক নাবা, থবক শূবা ঙমদবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, শদৌ থোংবা, চানীং-থক্লীংবা পোক্তবা, মসলশিং চিকপা-নাবা, খ্বাং নাবা ফহনবগীদমক ওজাবু মপোকসিমগী কাউরোই

ঐগী হকচাংদা এজমানা মতম শাংনা নাদুনা লোক খুবা, শ্বর হোনবা ৱাবা, শ্বর হোনবদা গের-গের লাওনা মখোল থোকপা, থবাক নাবা, থবক শূবা ঙমদবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, খ্বাং নাবা, নোং চুবদনা হেন্না শ্বর হোনবা ৱাবা, অহিং তূম্বদা শ্বর ফুনগৎপা, অহিং মপূং ফানা তূম্বা য়াদবা, খ্বাং-য়াংলেন নাবা অদু ওজা MV Azad Phusam ☎ 7628890261/9089738275 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা MV Azad Phusam বু হন্না হন্না থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Mayang Imphal Konchak Bazar (6am to 10am)
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Saturday open)
3. Yairipok Bazar near traffic point. (only Sunday & Wednesday open)

HL-P/5333/25
থাগৎচরিবা : **P. Bijoy,** Pangei

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG

Ref :- Mut. Case No.1044/SDC/M 22/11/2019

1. Konjengbam (O) Ibemma Devi W/o (Late) K. Deben Singh of Moirang Thana Leikai (area of 0.02 acre)
2. Konjengbam (O) Manichoubi Devi W/o (Late) K. Gumen Singh of Moirang Phiwangbam Leikai (area of 0.02 acre)

-Vs-

1. (Late) Konjengbam Chandra Singh S/o (Late) K. Tolen Singh of Moirang
2. (Late) K. (O) Toyaima Devi W/o (Late) K. Tolen Singh of Moirang

[illegible] / **NOTICE**

Moirang, the 23rd Nov. 2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৫৩- মোইরাংদা লৈবা পাট্টা নং ১৪৮ অরিবা, ৬১/এ অনৌবা, সী এস দাগকী নং ২০৮১/সী, এরিয়া ০.১৮ একর চাউবা ইঙ্খোল অসিগী কো-পাট্টাদার ২ (অনী) অমসুং ৪ (মরি) অসি মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মৃ: ওইখ্রবা, মৃ: ওইখ্রবী পাট্টাদারশিংগী ইমুং-মনুং, মমৌশিংনা হায়রিবা অপুনবা এরিয়া ০.১৮ একর অসিগী মনুংদগী এরিয়া ০.০৪ একর চাউবা ইঙ্খোল অসিগী মীং ওনবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অপতি তৌরনবা খঙহল্লি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। উক্ত কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথগনি।

HL-P/5151/25
Sd/- **B.C. to Sub-Deputy Collector**,Moirang

PIS Brick Field (Mechanised)

From time to time rate changeable

Brick Sample

Class	Rate(₹)	Bricks	Gari Charge(₹)	Labour(₹)	Total(₹)
1st	11.90	2000	2100	500	26400
1st	11.90	1500	1600	400	19850
2nd	11.40	2000	2100	500	25400
2nd	11.40	1500	1600	400	19100
1st Rej.	11.00	2000	2100	500	24600
1st Rej.	11.00	1500	1600	400	18500
Peti	9.50	2000	2100	500	21600
Peti	9.50	1500	1600	400	16250
3rd	5.50	2000	2100	500	13600
3rd	5.50	1500	1600	400	10250
Chektek	5000/-Per 1 load (Tata 407)		1600	400	7000

Contact :9862048579,8787464898

HL-P/5123/9nov. to 7jan

Wangjing Saban Chekon Leikei,Near Khongjom War Memorial Complex

SMART SECURITY SERVICE (SSS)

Tera Bazar, Near K.K. Gas opposite - Indian Oil
Imphal West – 01
(A Multi-firm Service Centre)
GST No. 14AAOAS1782Q1ZP

SL.No.	Name of Post	NO. of Post	Qualification	Salary
1.	Finance Manager	02	M.COM/MBA	10k-25k
2.	Security Supervisor	20	Ex-Serviceman	7k-18k
3.	Security Guard (M/F)	105	VIII & above	6k-22k
4.	Helper(M/F)	100	Nil	6k-14k
5.	Gardener/Mali	29	VIII & above	6k-10k
6.	Gunman/ Arm Guard	36	VIII & above	8k-22k
7.	Cook/Chowkidar	31	VIII & above	6k-16k
8.	Home Tutor	30	Graduate& above	Negotiable
9.	Agents (whole Manipur)	60	X & above	Negotiable
10.	Driver	70	Nil	7k-20k
11.	Teacher cum Warden	10	Graduate	Negotiable

Note: Under Lamyanba Group of Companies
Facility: Pension + Bonus
Submit resume for Home Tutor (also available Home Tutor)
Form Available at Office Hour: 06:00 am to 4:30 pm (Saturday Open)
Head office: Tera Bazar, Imphal #6009428552/8837351839
Branch Office: Athokpam Khunou Opp. District Hospital, Khangabok#6009224539
Date of Interview: 03/12/2019 Last date of form submission: 02/12/2019

Sd/- Director
Smart Security Service (SSS)
Tera Bazar, Imphal

HL-P/5355/25